
# হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়-নহারোলশিং অসিনা করম থোক্লগদৌরিবা?



**হৌজিক লোইশঙগী থৌবুরেল ওইরিবশিংসু মঙাই মেট্রিক পরিক্ষাদা খুদি থীদনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিবা ঙাক্তনি। ফজ-ফজরবা দিস্ক্রিপ্তিপ এসে, নেরেটিব এসে, রিফ্লেক্টিপ এসে, ইমেজিনেটিপ এসেনচিংবা পূন্নমক, মার্কিং সিষ্টেমদা মার্ক ১৫/২০ পীবদু ইরগা লাকখিবা মক্তনি। দিসিপ্লিন, ওবিদেন্স, রেস্পেক্ট, হাউ তু য়ুজ মাই টাইম, এন আইদিএল ষ্টুদেন্ট, করপসননচিংবা ময়ামসি ইরগা মায় পাক্তুনা লাকখিবা ঙাক্তনি। দিসিপ্লিন খ্বাইদগী ফজগদবনি হায়না ইখিবা, ওবিদেন্স ওইগদবনি ইখিবদুনা হায়বা ইল্লক্তবা, রেস্পেক্ট তৌগদবনি হায়বদুনা শক খ্বাইদগী তাখৎলকপা, চেরিটি তৌদুনা মীঙোন্দা মতেং পাংগদবনি হায়না ইখিবদুনা অরীকপা মী ওইরকপা, মাই হোবীদা লৈ-শু থাবা, গার্দেনিং তৌবা, লাইরিক পাবা হায়রম্বদুনা নিশাদা লাইচুরকপা, করপসন থিংগদবনি হায়না ইরম্বা খূৎতুনা খূৎয়েক অমা তৌরগা লুপা লাক্ষ/লাক্ষ তানখৎলকপা ময়ামসি চৎনবী ওইরক্লে। মতাং স্বাইদনি ঙক্লিবসি!**

## হেক্তা হায়নীংলকই - ৩৭৬

## জিতেন নামৈরাকপম

**অনৌবা** সেসন হৌরমদাই ওইরকপনা স্কুল তন্নিবা অঙাংশিংগী মমা-মপা ওইবশিং হৌজিক মথৌ চীনবা মতম্নি। কুমজা ২০১৫গী পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লখিবদগী মচাশিংগী মিং চনবা, লাইরিক বই, য়ুনিফোর্ম, টাই, বেল্ট, খোঙউপ, মোজা অমদি অতৈ লাইরিক তম্বা চৎপদা চঙবা মচাকশিং লৈনবা কোয়চেন চেন্নরি। মমা-মপা ওইবশিংগী পান্দমদি মচাশিবু তুংদা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনবা, মীকোক থোংবা ঙম্নবা অঙম্বী থাক্তা হোৎনবা হায়বসিনি। অদুনবু অঙাংশিংগী ট্যুইশন থিনবদা ঙাইবদা, চৎথোক চৎশিন তৌবা খক্তদা মতম মাঙবগী মথক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সকুম্না মথৌ চিন্নরিবনি। নোং ঙান্দ্রিঙৈদা হৌগৎকনি। ট্যুইশন থিনবা চৎকনি। ঙাইগনি। পুরক্কনি। অতোপ্পা ওজা অমদা অতোপ্পা সভজেক্ট অমগী অমুক থিল্লুগনি। মসিদসু অমুক ঙাইগনি। অসুম্না মথং-মথং চৎথগনি। অয়ূক, নুংথিল অমদি নুমিদাং পারগা নোংমদা তোঙান- তোঙানবা মফম মরি মঙাদা ট্যুইশন তম্বা য়াওনরি। লুপা লীশিং ৫/৬না খুজিং ওইদুনা সভজেক্ট খুদিংগী ফি চাউনা -চাউনা থীদুনা চহী অমগী ওইনা য়ামখ্রবা শেলফম কাইথোক্লি। হায়রিবসি স্কুলদা থীবা এদমিশন ফি, মন্থলি ফি, ভেন ভারা,নুংতিগী চয়োম(টিফিন)দা মখল-মখলগ অচাপোৎ, স্কুলদা পাঙথোকপা তোঙান- তোঙানবা ফঙ্কসনশিংগী তোঙান তোঙানবা শেল কলেক্সন তৌরকপদা পীখিবগী মথক্তা তোঙান- তোঙানবা দোনেশন তৌরকপদসু পীদবা য়াবা নত্তে। সুম পাশিল্লুবদা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংগীদমক চহী অমদা থাদরিবা শেলসি লাক্ষকী মথক্লি। মচা ৩/৪ লাইরিক তম্বা থাবা মমা-মপাশিংনা তিংলিবা শেলসি লাক্ষ-লাক্ষতা ওইরমগনি। হিসাব অদুম তৌবদা ইরায় লায়না থোরক্কনি। তৌনদবগী অদুক খঙনদবগী ৱানি।

তশেংনা হায়রবনা মমা-মপা ওইবশিংসি মচাশিংগীদমক্তদি মনাই মখল অমনি হায়রবসু য়াই। হায়জরিবসি ইশামকসু য়াওননি। নোং হেক ঙানবগী মখোয়বু হৌগৎলো হায়না হৌদোকপদা থবক অমা ওইরি। মখোয়গীদমক য়ূমগী য়ূম্বুরেম্বীগা ঐখোয়ন অনীনা ধোবী, মুচী, কুক, ৱেটর ওইরিবনি। ফিরোল শুবা লেপ্পা য়াবা নত্তে। পুরা ধোবীগী থবক্লি। অদুগা মদু অমুক ইষ্ট্রি তক্কনি। খোঙউপসু কাপ থাগনি। অয়ূক্তা চয়োমগীদমক য়েরুম হৌগনি, প্লাউ নৎত্রগা ইশাগী চাকখুমদা প্রেসর কুক্করনা থুনা থোংবা য়াবা করিনো অমা তৌগনি। থুবদগী থুবা হায়রগদি মেগ্নী, মিমি নৎত্রগা অফংবা নুদলস অমা শেম শাবীগনি। ৱাটর বোটলদা থক্লবা ঈশিং হানবীগনি। অয়ূক্কী পুং ৭:৩০ তাখ্রবা মতুংদগীদি দ্রেস অপ তৌবা হৌরনি। সোমদা মোজা থিবা খঙদ্রে হায়না থিনরিঙৈদা থোঙ্গালদগী ভেন হোর্ন নমখোং খোংলক্কনি। উচিন-নাচিন্না মোজাদু থিবা ফংলে হায়বগী স্বর হোন্দোক্লিঙৈদা ইচানুপী পীক্তুদুগী আই কার্দ য়ানফমদা লৈরমদ্রে-হা-বেল্টতু স্কটতা য়াওরমদ্রে, বেজ কেনখ্রে নৎত্রগা রিবন নাম্মখক্তা ঙায়রল্লেনচিংবা অৱাৎ-অপা, অহো-অরাক অমদি নোংমগী শোইদ্রবনি। মসিদগী অয়ূক্তগী টেন্সন্না অদুম চয়োম্নরবনি। খরা লৈরগদি ঙাওরগা চৎখিগদ্রাফাও খঞ্জিল্লকই। মতমসিগী চৎনবীসিনরা খঙদে মথং-মথংগী ওইবা দিমাগু কয়াসু তৌরকই। পীদ্রগনা লৈবীদ্রগনা ষ্ট্রাইক, এজিটেসন, প্রোটেস মখল-মখলনি। ইচানিকা হায়দনা পাখোন অমকা শিরুবদা, ‘‘অদু ওই তারগদি ঐগী অদু লৈবীবা তাবা নৎত্রদি তোকএ’’ নৎত্রগা ‘‘বাবানা হায়বদু ঐ ইল্লগে অদু ওইরবদি ঐগী ডাইরি, চোক্লেট লুপা ৮০ পীবদু লৈবিবা তাবা’’ হায়বসিমদি শোইদ্রে। পরিক্ষাগী রেঙ্ক ৱাংলকউ হায়রগদি, ‘‘মোবাইল ফোন অসিদগী হেন্না তাঙবা অমা লৈবা তাবা’’ অসিগুম্বগী ৱাসি য়াম্না তোইনা হায়গল্লি। মসিমক ইশাদা থোকপা থৌদোকখক্তা ওইরল্লোই খল্লি। ঐনা পোকচবা ইচাগা মন্তিক্লবগী মওং লৈরবনিনা মখোয়সি অনেকপা মীগা মান্নরক্লে।

মমা-মপা ওইবশিংনা মতম মাংহন্দুনা মচাদা শেঞ্জাও থাদদুনা লাইরিক তমহল্লিবসি মুন্না খঞ্জিল্লুরবদি ঠিকাদা শেল থাদবনি হায়না খল্লবসু য়াই। মচাদু মতিক চাবা মী অমমম ওইহল্লবা মতুংদা প্রজাদগী পৈশা পেক্লবনি। ডোক্টর ওইরো, ইঞ্জিনিয়ার ওইরো, ব্যুরোক্রেট ওইরো অমহেক্তা ওইসনু শেল চাদবা, শেলদা ঙাওদবা ওফিসার কনা লৈরিবগে? হীদাক তৌগে থিবদা অৱাবগী মশক্লি। অদু ওইরবদি ইচাশিংদা ঐখোয়না চাউরবা য়ামখ্রবা শেলফম থাদদুনা হোৎনরিবসি হয়েং তুংদা হুরানবা মপী ওইরক্লবরা? মসিমদি হংবা য়াবা ৱাহং অমনি। ভোটতা করিদসু মঙাই মীয়ামগী মীহুৎনি হায়দুনা ফম ৱাংনা কাহল্লগা মীহুৎকী মহুৎতা মীওৎ-মীনৈ চৎথরকপা ঐখোয়না থেংনরিবা মক্তনি। হৌজিক্কী মতমগী লাইরিক খুতম্বীসিসু মওং অমনি। মোরেল ভেল্যু, ইথিক্স, ইনোভেসনকা হায়বা ৱাহৈশিংসিগী ওন্ন-তৈনবমক্তা তৌখৎলক্লে। ঐনা অঙাংশিংদা হংই, ‘‘নখোয়না লাইরিক তন্নিবসি করিগীনো?’’ পরিক্ষা পাস তৌনবনি, মার্ক য়াম্না ৱাংনা ফংনবনি হানয়া অসুম্না খুল্লকখি। হ্যুমেন রিসোর্স হায়দনা কোক অফবা, অনৌ-অনৌবা আইদিয়া পুথোক্তুনা হান্না লৈরমদবা কয়া লৈহল্লকপা মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা লমজেল তান্নরিবা মতমসিদা কয়াদা চান্নখিদ্রবা পাউখুম্নে া। হৌজিক লোইশঙগী থৌবুরেল ওইরিবশিংসু মঙাই মেট্রিক পরিক্ষাদা খুদি থীদনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখিবা ঙাক্তনি। ফজ-ফজরবা দিস্ক্রিপ্তিপ এসে, নেরেটিব এসে, রিফ্লেক্টিপ এসে, ইমেজিনেটিপ এসেনচিংবা পূন্নমক, মার্কিং সিষ্টেমদা মার্ক ১৫/২০ পীবদু ইরগা লাকখিবা মক্তনি। দিসিপ্লিন, ওবিদেন্স, রেস্পেক্ট, হাউ তু য়ুজ মাই টাইম, এন আইদিএল ষ্টুদেন্ট, করপসননচিংবা ময়ামসি ইরগা মায় পাক্তুনা লাকখিবা ঙাক্তনি। দিসিপ্লিন খ্বাইদগী ফজগদবনি হায়না ইখিবা, ওবিদেন্স ওইগদবনি ইখিবদুনা হায়বা ইল্লক্তবা, রেস্পেক্ট তৌগদবনি হায়দুনা শক খ্বাইদগী তাকখৎলকপা, চেরিটি তৌদুনা মীঙোন্দা মতেং পাংগদবনি হায়না ইখিবদুনা অরীকপা মী ওইরকপা, মাই হোবীদা লৈ-শু থাবা, গার্দেনিং তৌবা, লাইরিক পাবা হায়রম্বদুনা নিশাদা লাইচুরকপা, করপসন থিংগদবনি হায়না ইরম্বা খূৎতুনা খূৎয়েক অমা তৌরগা লুপা লাক্ষ/লাক্ষ তানখৎলকপা ময়ামসি চৎনবী ওইরক্লে। মতাং স্বাইদনি ঙক্লিবসি!

স্লেট-কাংগ্রু অমদি লাইরিক শেগাদা য়েপ্তুনা চৎলম্বগী পুন্সি অদু কয়াদা নুংঙাইখ্রবা। উন খ্রং-খ্রং তাবা নিংথমথাগী লৈচিল থাবা অয়ূক্তা বোড়া থুপচিন্দুনা য়াল্লগা স্কুলগী লম্পাক্তা নুংশা য়াইনা-য়াইনা তল্লকপা লাইরিক খুতম্বীদু ঙসিসু কাউদ্রি। য-ফ্লা, ম-ফ্লা, ব-ফ্লানচিংবা ময়াম হৈনবা তল্লকই। ক্যামগৈ লৈহাও লৈবা লম্নি, বর-কন্যা অনীমক মশক ইফদ-ফজৈ, হৈক্রু চারগা ঈশিং থকপা হাউই, ঐনা মহেল্লে নীংবা মুর্খনি, লাই গুরুশিংগা তর্ক তৌনগনু অসিনচিংবা কয়ানি। মতমদুগী ওজাসু ছাত্র-ছাত্রিশিংসু অসুক্কী মতিক বব্যহার তৌরনম্মী। ক্লাস অসুম-অসুম ৱাংখৎলক্লগা ফজ-ফজরবা পাউরৌ কয়াসু মমূৎ তানা খঙলকখি। তুংগী মীরোলনা লৌশিহৌবা য়াবা মমল য়াম্লবা পাউতাক ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিগী মীরোল অসিদদি অদুক অর্থ লৈখ্রবা পাউরৌ কয়াসি ফাগী তারক্লে।

ইংলিশ লোনদা ঙাঙনবা পাউরৌ, ‘টিট ফোর টেট’; মীতৈলোন্দা, ‘ফৌ পুরগা ফৌ শিং, চেং পুরগা চেং শিং’ হায়নৈ। য়োৎতি শারিঙৈদা য়ৈহৌ-‘ষ্ট্রাইক আইরন ৱাইল ইট ইজ হোট’, কৈনা তোকপা পোকপা হৌনব্রা- ‘লাইক ফাদর লাইক সন’, ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্লাক্লা ফমদেকই-‘প্রাইদ হেম এ ফোল’ অসিনচিংবা লোইনাইদ্রবা ফজখ্রবা কয়া অমা লৈরি। অদুবু মহৈ হৈরে লৈঙাক লোইশঙগী অচৌবা থবক তৌরে খঞ্জবশিংনা অমদি মহৈরোয়শিংনা তৌথোরক্লিবা ওন্ন তৈনবা ময়ামসি উরুবদা অইবা ইশামক খাঙবা ঙল্লক্তে। পাউরৌগসি মথক মখা ওন্থোক্লিংলকই-হায়নিংলকই। ‘হেলঠ ইজ ৱেলঠ’কী মহুৎতা ‘ৱেলঠ ইজ হেলঠ’ হায়বসিনা চান্নরকপ্রা খল্লকই। মরমদি হকচাং ফনবা হোৎনবা শাজেল খক্তনা য়াদে অফবা চীঞ্জাক চংই। চীঞ্জাক মমল তাংই। লোকেল, য়েরুম অমদা লুপা ১০, শঙ্গোম লিটরদা লুপা ২০, লফোই, সেম, অঙ্গুর অসুক্কী মতিক তাঙখ্রে। শেল পায়দ্রবদি হকচাং ফনা থম্বা অৱাবগী মশক ওইরক্লে। জগোই হৈত্রগা শুমাংদা তাইনৈ। করিগী নাম্থবদগী খুদি থীবদগী চোংবা য়াদ্রে। চেং পুরগা চেং শিং, ফৌ পুরগা চেং ওইনা শেন্দোই হালপ্লগা শিংনরবা মতম্নি। হৌদোং তুমিন লৈবদা চুফনা উপ্পী। ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চনদে। তুমগে হায়রগনা শলংকাক শাবা তাবা। নিংথৌদসু সনা ৱাৎলি, মৈতান ৱাত্তে। মৈফু তিক্কে হায়রবদি খুদক্তা পুরক্কনি। থন্দবা চফু মখোল থোক্তে, নীল্লগা থোকপগী ৱানি। উহৈ পানবা উপাল মরু লুক্তে।

পানমনবগী পঙকেন্দা কেল্লি। কৈনা তোকপা পোকই। তোকপদু নক্লি কৈ ওইরম্বননি। লীনসু শিনবা চৈশু তেক্লবা তিংখৎত্তনা কল্লি। ভাবনা দলান শাবা- শেল লৈরগদি মথোল মঙ/তরুক হেন্না শাবা য়াই। ঈরুদনা হৈবী তৈবা- লংত্রিক লংনা ফজৈ। গ্লীসরিন তৈদ্রবসু য়াই। নুং অনীগী মরক্তা হা হা লাউনা নোকপা নুংঙাই। ফাখিবা ঈশৈ নোংমতসু শক্লকই হায়রম্বদু সুর কাউখি। ময়েক কাউখ্রে। চফু কায়রগা ক্লাক্লা হরাউদে-করিগী মহুম শাজিল্লুরগা অঙাং ঙাওশিন্নবনা ফাখিনি কিবদগী। কৈগী মপাল নাপীনা তাং, নাপীগী মপালদি কৈনা তাংদে- মৈ লোয়না থাদোকপীখিবদগী। হৈ লৈরগা থাং লৈ-থাং লৈরগা হৈ লৈতে। শেন্দ্রাং ঙন্না তাবনা চেং মচাং লৈরগা চাই, লৈত্রগনা চাদে। চেকশিল্লগা চেক্কী য়ূম শাই। ফাদোক্লগসু তাশিন খোমজিনবা ঙম্মী। খোঙ চোৎলগা চীন চোৎতে- খোঙখক চোৎপগী ৱানি। তিন্থ্রোক অশিবনা ঙম্মু থেমদে- ঙম্মুনা লোয়না চাথোকখি। হৈমন শীংমন্দনা পশিং থোক্তে- শীংদুনা অদু লৈ। ওন্থরে মাইরেন, তুম্বাদি শুক্কাই কাইহৌদ্রে। হৈনৌজোম য়ূম্বান তেলঙ্গা য়াহিপ য়েংবদা ফনবু নুংঙাই। খূৎতা পাইবা ইতাওগী, য়াদা হুকপা ইচাগী, কুৎ লাউবা ইচাগী অদুম ওইখি। ঐদি মহাও তংহৌদে। ইচা ফত্তবা চাউবা ঙাইবা, ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইনিংদে। খরা কুইনা কুইনা হিংহন্নিংই। নহানা মাইবা শাবা মং থন্দে। হৌজিক অহৈ-অহৈবা নহা ডোক্টর কয়া’মা থোরক্লে। অনম কল্লগা ফমেন ফমগে তৌবদা কাউথোরকই। খোইগী মহুমদা চৈনা থীনবদা খোই ময়াম পাইথোরকপদু নুংঙাইখ্রবা কুম্মৈ অমনি। য়াইরোংনা য়াইরোং কন্দে; শরিবাইসু কন্দে। খুরাইদা থাঙখোক্লা য়ানবমুক নাবা লৈতে। নোংথক্তা তিন শিৎকল্লগা লৈথোক্লবদি মায়দা তাদে। মীচা শিশনু খল্লগা মীচা অদুম শি। ইচাদি শিদে। অৱাবা মচা লেম্না মাঙদে। কুম লায়নানা নারগা শিবসু য়াওদবা নত্তে। থৌবান্দোংগী চফু য়ৈবদা ধমাদা কায়খ্রে। অরীকপগী মরল শুম্না চাদে। মশামক্লা চায়। মীনা শিবনা চীন্দা নত্তে। মরম য়াম্না লৈ। শানা শীবনা শাদানবগী গুলিদা। মরীংনা শাবা শঙবাইবু নাম্মসু হাংবদি লাইরদনা মশীং থীঙমদনা হাংই। অসুম্না মথং-মথং ৱাকায় ঙাংনিংবা মতাংগসু য়াওরকই। মসিমক হৌজিক্কী মীরোলনা তৌনরিবা ওইদ-পাদবা, শেরান-তুরান তৌবা, অরানবনা অচুম্বা শান্নরকপা মতাংসিদা খল্লকপা ৱাখলনি।।

# খুরখুলগী ফোকসোং

**‘‘চকপা/লোই হায়না খঙনরিবা মীওই কাঙলুপশিংগী মনুংদা খুরখুলসু অমনি। খুরুখুল খুঙ্গং অসিদসু খুন্নুং ঈশৈ মমাঙঙৈদগী হৌজিক ফাওবা মীরোল অমদগী অমদা চীন্থাং য়ৈনা থঙথদুনা লাক্লি। খুরুখুলদা শক্লরিবা খুন্নুং ঈশৈ অসি... চাউরাক্লা মখল নিপাল থোক্লা খায়দোক্লি। মদুদি, হরাও কুম্মৈগা মরী লৈনবা ঈশৈ, শিনশু-শিনবাং ঈশৈ, নুংশি-নুংওনগা মরী লৈনবা ঈশৈ, নোংলাউইসি, অঙাংগা মরী লৈনবা ঈশৈ, অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা ঈশৈ, শিবগা মরী লৈনবা ঈশৈ, অকাম্পেৎকা মরী লৈনবা ঈশৈ অসিনচিংবশিং অসিনি।’’**

**ফোকসোং** হায়বসি ওরেল লিটরেচরগী মনুংদা মরু ওইবা শক্লোন অমনি। ইংরাজীগী ফোকসোং হায়বসিগা মণিপুরীগী খুন্নুং ঈশৈগা মান্ননা লৌনরি। ফোকসোং মীওই কাঙলুপ অমগী চৎনবীদা মমাঙঙৈদগী হৌনা চীনবুংদা চীন্থাং য়ৈনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা থঙথদুনা লাক্লিবা ঈশৈশিং অদুনি। মহৌশানা ফোকসোং মীওই কাঙলুপ অমগী মীয়াম্না খঙনরবা অমদি য়ানরবা ঈশৈ ওইগনি। চীনবুংদা থঙথরকপা ওইরবসু সুর, ছন্দ অমসুং তান্থা অমা য়াওনা অচম্বা মওংদা শকপনি। খুদম ওইনা মৈতৈগী থাবল চোংবদা মী অমনা ঈশৈ হল্লগা মী ময়াম পূন্না খুমদুনা শক্লিবা ঈশৈগী শৈশক অসি ফোকসোং মখল অমনি। অসিগুম্লবা ফোকসোং অসি কাঙলুপ অমগী মনুংদা চীনবুংদা ওইনা থঙথরকপা অইবা নত্তনা ঈশৈশিং অদুনি হায়বগী মতাংদা ষ্টেন্দর্দ দিক্সনারি ওফ ফোকলোর, মিথোলোজি, এন্দ লেজেন্দ হায়বা লাইরিক্তা অসুম্না পীরি -

> Folksong comprises the poetry and music of groups whose literature is perpetuated not only by writing and print through oral traditon.

**খুরুখুলগী খুন্নুং ঈশৈ ঃ**

চকপা/লোই হায়না খঙনরিবা মীওই কাঙলুপশিংগী মনুংদা খুরখুলসু অমনি। খুরুখুল খুঙ্গং অসিদসু খুন্নুং ঈশৈ মমাঙঙৈদগী হৌজিক ফাওবা মীরোল অমদগী অমদা চীন্থাং য়ৈনা থঙথদুনা লাক্লি। খুরুখুলদা শক্লরিবা খুন্নুং ঈশৈ অসি মফম মতম অমদি থবক থৌরমগী মতুং ইন্না নৈনবদা নুংঙাইনবা চাউরাক্লা মখল নিপাল থোক্লা খায়দোক্লি। মদুদি, হরাও কুম্মৈগা মরী লৈনবা ঈশৈ, শিনশু-শিনবাং ঈশৈ, নুংশি-নুংওনগা মরী লৈনবা ঈশৈ, নোংলাউ ঈশৈ, অঙাংগা মরী লৈনবা ঈশৈ, অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা ঈশৈ, শিবগা মরী লৈনবা ঈশৈ, অকাম্পেৎকা মরী লৈনবা ঈশৈ অসিনচিংবশিং অসিনি। খুন্নুং ঈশৈ খুদিংমকপু লোয়নবা লৌখৎলগা নৈনবদা খুদোংচাদবনিনা মখল খায়দোক্লিবশিং অসিদগী ঈশৈ অমমম লৌখৎলগা মখাদা থমজরি।

**হরাও-কুম্মৈগা মরী লৈনবা ঈশৈ ঃ**

খুরুখুলদা পাঙথোকপা হরাও-কুম্মৈগী থৌরমশিংগী মনুংদা খুরুখুলবু কোল্লিবী ইচুম লৈমা হরাওবা অসিনা খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈনি। ইচুম লৈমা হরাওবা ফাইরেন থাগী পানখৎলকপদা অফবা নুমিৎ থাবান য়েংলগা হরাওবা হৌই। লাই হরাওবগী ঈশৈদসু নুপী ঙাক্তনা শকপা ঈশৈ, নুপাখক্তনা শকপা ঈশৈ অমদি নুপা-নুপী পূন্না শকমিন্নবা ঈশৈ অসিনি। খুরুখুলগী ইচুম লৈমা হরাওবগী ঈশৈ শক্লিবা নুপীশিং অদুবু লাই ঈশৈ শকপী হায়রগা খঙনৈ। হরাও কুম্মৈগা মরী লৈনবা ঈশৈশিংগী মনুংদগী খুরুখুলগী ইচুম লৈমা হরাওবগী লৈমখোং তুরেলদা ঈকুম ঈতাবদা নুপা-নুপী পূন্না শকপা ঈশৈ অমা লৌখৎচরি।

হো লাইরেম্মা হো ... য়ে/লাইজ ঈরোন্নুংদগী হো... কারকও য়ে/লাইজ ঈরোন্নুংদগী হো ... য়ে/লৈশং খৈয়োমনুংদগী হো ... কারক্কে য়ে/হো লাইনিংথৌ হো... য়ে/লাইজ ঈরোন্নুংদগী হো... কারকও য়ে/লাইজ ঈরোন্নুংদগী হো... য়ে/লৈশং খৈয়োমনুংদগী হো... কারক্কে য়ে/ইবুংঙো কৌব্রু অশুপ্পা হো... য়ে/লাইজ ঈরোন্নুংদগী হো... কারকও য়ে/লাইজ ঈরোন্নুংদগী হো ... য়ে/লাইজ ঈরোন্নুংদগী হো... কারক্কে য়ে/ইবুংঙো লোইয়ালাকপরো হো... য়ে/লাইজ ঈরোন্নুংদগী হো... কারকও য়ে/লাইজ ঈরোন্নুংদগী হো... য়ে/লৈশং খৈয়োমনুংদগী হো... কারক্কে য়ে।

**শিনশু-শিনবাং ঈশৈ ঃ**

শিনশু-শিনবাং ঈশৈ হায়রগা থবক শুবদা শক্লরিবা ঈশৈশিংবু খঙনৈ। মীওইবগী ৱারবা পুন্সিবু ঈশৈনা থৱায় হাপ্পি। অনৌবা ময়োল চোংহল্লি হায়বা য়াই। থবক শুবদা ঈশৈ শকপনা ঈশৈদা পূক্নিং লুপখিবগা থবক শুবগী অৱা অনা কাউথোকহনবগা লোয়ননা শুরিবা থবক্তু লোইবা ঙাইবদা ৱাহন্দে। থবক শুবগা মরী লৈনবা লৌরী ঈশৈ অমা থমজরি।

য়া হারি কুমদম্বী হো ... য়ে/পাইমা লাংখোং খাসিদা হো ... তল্লরো য়ে/হারি ইদোম তমঙল্লোই হো ... য়ে/কাইরৈ চীংদোন কাবীগা হো... য়ে/শজিবু কালেন ইতারে হো ... য়ে/ভৈগ্যচন্দ্র য়াইমনা হো ... ঈচল্লে য়ে/কোল্লাপতি ইবেম্মা হো ... য়ে/সনাগী ক্লাকোক পায়দে হো ... ইয়োম্মো য়ে/ইঙা লৌখোং মচীন্দো হো... য়ে/লাংনা কিশি কিরম্বা ... হো... কনানো য়ে/খ্বাইরাকপম মচানে হো ... য়ে/লিক্লাং পুংজাই ঙম্বনে হো ... হংগনু য়ে/ইঙা লৌদি খুমনও হো ... য়ে/ইঙেন লৌখোং তৈখিবা হো... লাক্তরি য়ে/তৈখ্রবনে হায়গনু হো... য়ে/য়োইময়াই তাংজ লৌখোং খুন হো... য়ে/পুলৈরোম্বা চীংজিন্দো হো ... য়ে/লৌহোন ৱাইনৌ থারম্বা হো ... য়ে/নোংয়াই চবুক ওল্লে হো... য়ে/তৌরেল মপাল শারে হো... য়ে/চেংগুমদে মালহৌদে লৌহোন্দে হো ... য়ে/ৱাইনৌরে থারসে হো... চাবরা য়ে/য়া খুল্লং নুরাবী হো... লিংঙরো য়ে/লৌহোন ইখূৎ থানে হো.. য়ে/ইঙা মচীন ৱাইনদি হো... লিঙগে য়ে/লাইজ ঈনা পন্থিংবা হো ... শিজনি য়েলকরিগী শিজরুগবো হো... য়ে/কাইরৈ য়েনখোং তানদে হো ... হিংলক্কে য়ে/লৌকারমদগাই ফংলে হো... য়ে/ইমোম বেম্মা ওক্লবা হো... হৈয়েল্লো য়ে/হৈরাং ফানা চাইবগে হো... য়ে/মোমনুগী চরৈ মনমখাঙ হো ... হৈয়োরো য়ে/পাথৌ লৌকারসে য়ে/উথুম মাসু খোংসনু হো ... য়ে/খালৈনা ইঙম থুংদরি হো.. কাখিরো য়ে।

**নুংশি-নুংওনগা মরী লৈনবা ঈশৈ ঃ**

নুংশি নুংওনগা মরী লৈনবা ঈশৈ অসিদি শাবী-শানৌশিংগী মরক্তা শক্লবা ঈশৈনি। পাখঙ-লৈশাবী (নুপা-নুপী) অনীগী মরক্তা মফম মতমগী মতুং ইন্না লৈরিবা নুংশি-নুংওনগী ওইবা পূক্নিংগী ঈহুল অদু ফোঙদোক্তুনা শৈথারগা শকপনি। নুংশি নুংওনগা মরী লৈননা শকপা ঈশৈশিংগী মনুংদগী অমা খনগৎলগা ইজরি।

চীংদা শাৎপী ইঙেল্লে/চিন্নদনা কেনখিবা/হো কল্লকই কল্লকই/ঐনা-কেনগে কেনবরা/মালংবা মানা হুম্বগী/থঙ্গোম্বা মাঙদা লেপঙমদ্রে/হো কেনবনি কেনবনি/মালংবা ঐসু কৈদৌদে/লৈরাংনা লৈখোক লোইবগী/হো কেনবনি কেনবনি/থঙ্গোম্বা ঐসু কৈদৌদে/লৈরাং লৈখোক লোইবগী/হো কেনবনি কেবনি।

**নোংলাউ ঈশৈ ঃ**

ঈশৈ অসি নোংতাদবা মতমদা ইকং থোক্তুনা য়াম্না ৱানরবা তাঞ্জা অদুদা নুপাশিংনা নুমিদাংগী অথেঙবা অহীংগী মতমদা লম্বী লমজাওদা থোক্লগা শকপনি।

## লৌরিয়াম শান্তনি

ৱাং খুদেং মাইপাকপী/খাগী থৌদু নুংবী অকনবা/উথাও শুকতি তুনানবী/চোক চোক শুজিল্লো/শুরবনে/নোংও চুরো/নোংও তারো/অপুম-অশা তাউথরো/নোংও চুরো নোংও তারো।

**অঙাংগা মরী লৈনবা ঈশৈ ঃ**

অঙাং মশেল খৎনদুনা শাউনবদা হেন্না শাউনবা মরু কোকপা অঙাংদা লুকোক্তবা অঙাংনা নোক্লবা ওইনা লক্লদুনা শকপা খুন্নুং ঈশৈনি।

লুকোক লুকোক চাং চাং/পালদা কুল্লি জম জম।

**অনা লায়েংগা মরী লৈনবা ঈশৈ ঃ**

পক্লদবা এঞ্জাং চারুবদা য়েমৌনদুনা নারকপা মতমদা মাইবনা শকপা ঈশৈনি। মাইবা ফংদ্রবসু মী অমনা হেক্তা শকপসু য়াই।

পাল চারগা শিখিবা/হোল চারগা হল্লকউ।

**শিবগা মরী লৈননা শক্লবা ঈশৈ ঃ**

মী শিরগা হকচাং পোল্লাংদু পোৎলোইফম তানা পুথোরকপদা শক্লরম্বা ঈশৈনি।

চৎলসে চৎলসে/পোইরৈ তাম্না চৎলসে/হকচাং পোল্লাং অতিংঙাদি/লম্বী লমশাং লাক্লেদো/থৱায় মঙাদি/লমদম কৈদা পাইখ্রবনো/হা তাইবঙ অপঙবনি খঙহৌদে/কঙাওনদুনা লৈহৌরে ঐদি।

**অকাম্পেৎকা মরী লৈনবা ঈশৈ ঃ**

পাখঙ মচা অঙাওবশিংনা নুমিদাংদা লৈরক খুল্লক্তা লৈশাবী ময়ূমদা লৈকায় কোয়বা চৎপদা খুন্নুং ঈশৈ অসি শক্লরম্মী।

নিংথৌরেনগী মনা চাজনু/নুমিৎ য়ুংজনি/শা কোম্প্রেক চাজনু/নতু চোমজনি।

**শিনশু শিনবা ঈশৈ ঃ**

শঞ্জেন্নহা নহাশিংনা শন শেনবদা শক্লবা ঈশৈ-

মুক্রোকপা মুক্রোকপা হৌ হৌ/শঞ্জেন নহাগী চানা-হৈরাং খুঞ্জা - হৈ/চীংদা তোংবা মিগা/পাৎতা শাৎপা থরোগা/মিও থাও কাঙখল থারোল্লো।

ইচুম লৈমা লাই হরাওবদা নুপা নুপী পূন্না শকমিন্নবা ঈশৈ-

কাওথ্রেনবী কাওথ্রেনবী/কাওন মতোল হাইনসি কাও হু... কাও/কাও হু... কাও।

মতৌ অসুম্না খুরুখুলগী খুন্নুং ঈশৈশিং অসি খুরুখুলগী ফোকলোরবু মপূং ফাহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। খুরুখুলগী মীওইশিংগী পুন্সি মহীংদা মথক্তা নৈনখ্রিবা ঈশৈশিংসিনা মখোয়গী ৱাখল্লোন, চৎনবী-থাজনবী অমদি লাইনীং লাইশোল অসিনচিংবা খরগীমখৈ খঙবা ঙমহল্লি। হায়রিবা খুরুখুলগী খুন্নুং ঈশৈশিং অসি হৌজিক ফাওবদা খরদি শক্লরি।।

### খঙহঞ্জবা

**পাউ চে অসিদা হাপ্পনবা মতম-মতমগী ৱারেং/শৈরেং/ৱারীমচা/চিঠিনচিংবা থাবিরকপশিংনা থাবিরক্লিবা অইবা অদু খূৎই নৎত্রগা নমথোক্লবা কোপি ওইনা পীবিরকউ। লোয়ননা ইবিরকপা মতমদা লামায় নাম্মতমক ইবিরকউ।**

**জেরোক্স কোপি ওইনা পীবিরকপশিংগীদি হাপ্পনবা খন্নজরোই। অদুগা ইবিরিবশিংগী মিং, লৈফম অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা হাপ্পীরকউ।**

*—হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স*